

MINISTRY OF DEFENCE

# 8 YEARS OF Reforms

June 2022


www.mod.gov.in

“

সেক্যুরিতীগী মহৌশাগী ওইবা ব্রাখল্লোন অসিদি অদোমগী তঙাই ফদবগীদমক্তা চুননা শেল্লবা অমসুং তোপ-তোপ্পা পথাপ অমা অদোমগীদমক্তা লৈবনি, মদুদতা মদুনা অদোমগী মতেং পাংগনি। করিগুম্বা লৈবাক ১০না চপ মান্নবা ঙাকশেলগী খুৎলায় লৈরবদি, অদোমগী আর্মীগী তোপ-তোপ্পা মগুন হায়বা লৈরোই। করিগুম্বা অদোমগী খুৎলায়শিং অদু ইশাগী লৈবাক্তা শাজবা ওইরবদি, মদুগী তোপ-তোপ্পা মগুন অমসুং ইলিমেন্ত ওফ সর্প্রাইস লৈবা য়াগনি।

প্রধান মন্ত্রী, শ্রী নরেন্দ্র মোদী

(পোস্ত বজেত রেবিনার, ‘দিফেন্সকী লমদা আত্মানির্ভর ওইবা – থবক ওইনা পাংথোক্লসি হায়বগী খোল্লাও’)



# মপাঙ্গল লৈনা ঙাক-শেনবা, মশাদা থাজবা লৈবাক

- অতৈদগী তোঙানবা রিফোর্ম পাংথোকপা অমসুং মিলিতরীবু হৌজিক মতমগা চুনহনবগী চহি ৮
- হৌজিক মতমগী খ্বাইদগী ফবা খুৎলায় অমসুং প্লেতফোর্ম লৈরবা মালেমগী খ্বাইদগী অনিশুবা চাউবা মিলিতরী
- রাফাইল অমসুং এল.সি.এ. তেজসনা এয়র ফোর্সকী লাহ্নেংনবা ঙম্বগী মতিক হেনগৎহল্লি
- ঙাকশেলগী লমদা আত্মানির্ভর ওইবা: ভারত্তা শাজবা জহাজ অমসুং সবমেরিনশিংনা নেভীগী তৌবা ঙম্বগী মতিক হেনগৎহল্লি
- 'ভারত্তা শাবা' তেঙ্ক, মিসাইল অমসুং হেন্দ-গ্রেনেদ আর্মীদা পীখ্রে
- বোর্দর ইনফ্রাস্ত্রকচর দিভেলপমেন্তনা মপাঙ্গল লৈহল্লবা সেক্যুরিতী লোজিস্তিক্স
- নারী শক্তিনা ঙাকশেলগী হীরমদা মান্নবা থৌদাং য়ারি




# আগ্নিপথ


- নহারোলশিংবু আর্ম্দ ফোর্সতা ‘অগ্নিবীর’ ওইনা চহি ৪ থবক তৌহনবগী অহোংবা পুরক্লীংঙাই ওইবা রিফোর্ম
- চহি ১৭ $^{১}/_{২}$ – ২১গী মনুংদা লৈবা নুপা অমসুং নুপীশিংগীদমক্তা পীবা খুদোংচাবা (অহানবা বেৎচকী ওইনা চহি অনি কোম্থোক্কনি – চহি ২৩ ফাওবা য়াগনি)
- আর্ম্দ ফোর্সপু নহাগী শক্তম পীনবা অমসুং ‘জোশ’ অমদি ‘জজবা’দা অনৌবা ইনোৎ হাপ্পবগীদমক্তা শেম-শাখিবা
- তেক্কী লৌশিং নীংথিনা লৈবা মিলিতরী অমগী মাইকৈদা খোঙদাবা
- মশাগী হৈ-শিংবা অমসুং ওর্গনাইজেসনগী তঙাই ফদবশিংদা য়ুম্ফম ওইদুনা ‘অগ্নিবীর’ ২৫%বু রেগুলর কেদরদা লৌশিনগনি

**আর্মী, নেভী অমসুং এয়র ফোর্সকী মীওই লৌবগী নোতিফিকেসন হান্নন থোকখ্রে**



# ‘আগ্নিবীর’শিংবু তেংবাংবগী খোঙথাংশিং

## চহি ৪গী মতুংদা



- **ঙাকশেল মন্ত্রালয়গী থবকশিংদা ১০%গী ফম খাক্কনি**

  ইন্দিয়ন কোস্ত গার্দ, দিফেন্স সিভিলিয়ন পোস্ত অমসুং দি.পি.এস.য়ু. ১৬ খুদিংমক মনুং চনগনি

- **গৃহ মন্ত্রালয়গী থবকশিংদা ১০%গী ফম খাক্কনি**

  খুদোংচাবসি সি.এ.পি.এফ. অমসুং অসম রাইফলদা চৎনগনি

  চহি ৩ কোম্থোক্কনি; বেৎচকীনা চহি ৫ কোম্থোক্কনি

- **ইন্দিয়ন নেভীদগী মর্চেন্ত নেভীদা এভেন্যু ৬তা থবক চঙবা য়াগনি**

- **এন.আই.ও.এস.না তেংবাংদুনা মহৈ-মশিং অপস্কিল তৌগনি**


  ১০শুবা ক্লাস পাস তৌরবা অগ্নিবীরশিংনা মহৈ মখা চথদুনা ১২শুবা ক্লাস পাস তৌবগী সর্তিফিকেত ফংবা য়াহন্নবা এন.আই.ও.এস.না মখোয়গীদমক্তা চুননা শেম্লবা কোর্স শীনগনি


- **রাজ্যশিংগী পুলিস ফোর্সতা থবক চঙবদা অহানবা মিৎয়েং থমগনি**

  রাজ্যগী পুলিসকী থবক লৌবদা অগ্নিবীরশিংদা অহানবা খুদোংচাবা পীগনি

- **ওন্তোপ্রিনরশিপ অমসুং থবকশিংগীদমক্তা স্কিল দিভেলপমেন্ত তৌবীগনি**

  অগ্নিবীরশিংনা সর্ভিস্তা লৈনা-লৈনা স্কিল ইন্দিয়া সর্তিফিকেত ফংগনি, মসিনা মখোয়না ওন্তোপ্রিনরশিপ অমসুং জোব রোল কয়াগী তোঙানবা খুদোংচাবা তানবদা তেংবাংগনি





# আর্ম্দ ফোর্সনা লৈখিবা মরু ওইবা পোখোকশিং

## মপাঙ্গল লৈবা ভারতকী মপাঙ্গল লৈবা লান্মী

# ইন্দিয়ন এয়র ফোর্স:

## গরুর শক্তি

- রাফাইল ফাইতর এয়রক্রাফ ৩২না ফাইতর স্কাড্রোন অনি হিংগৎহনবা
- ইশাগী ইরমদমদা শাজবা লাইত কোম্বেত এয়রক্রাফ তেজসকী স্কাড্রোন অনি লৈবা
- হেভী লিফ চিনুক অমসুং এতেক হেলিকোপ্তর অপাচেনা রোতারী ৱিংগী মপাঙ্গল হেনগৎহনবা
- এয়র লোঞ্চ এয়র-সর্ফেস সুপর্সোনিক মিসাইল, ব্রাহ্মোস হাপচিনবা
- সু-৩০এম.কে.আই.দা এয়র-এয়র রেদার গাইদেদ মিসাইল, এস্ত্রা হাপচিনবা

ইন্দিয়ন এয়র ফোর্স অমসুং ইন্দিয়ন নেভীগীদমক্তা এস্ত্রা এম.কে. ১ বিয়োন্দ ভিজুএল রেঞ্জ *এয়র তু এয়র মিসাইল সীস্তেম অমসুং এসোসিএসন ইক্বিপমেন্ত লৈনবগীদমক্তা বি.দি.এল.গা লোয়ননা লুপা করোর ২,৯০০ হেনবগী কন্ত্রেক্ত অমগী এম.ও.দি.গী খুৎয়েক পীনখ্রে*

- ব্রাহ্মোস এয়র-তু-গ্রাউন্দ মিসাইল হাপ্লবা সু-৩০এম.কে.আই.গী অনৌবা স্কাড্রোন শেমগৎপনা ইন্দিয়ন ওসীন রিজন্দা স্ত্রেতজিক কেপেবিলিতী লৈহল্লি
- সি.-১৩০জে. ত্রান্সপোর্ত এয়রক্রাফ লৈশিনখিবা
- ৫৬ সি.-২৯৫এম.দবল্যু. ত্রান্সপোর্ত এয়রক্রাফ লৈনবগীদমক্তা স্পেনগী এয়রবস দিফেন্স অমসুং স্পেসকা কন্ত্রেক্তকী খুৎয়েক পীনখিবা
- দি.আর.দি.ও.না ইন্দিয়ন এয়র ফোর্স্তা মেদিয়ম রেঞ্জ সর্ফেস তু এয়র মিসাইল (এম.আর.এস.এ.এম.) খুৎশিন্নখ্রে
- রাজস্থানগী বার্মেরগী মনাক্কী এন.ঐচ.-৯২৫এ.দা ফাইতর এয়রক্রাফশিংগী ইমর্জেন্সী লেন্দিং ফেসিলিতী












# ইন্দিয়ন নেভী

## নেভীগী ফাইয়রপাৱর

- ভারত মশানা খাইদগী ইহান হান্না শাজবা এয়রক্রাফ কেরিয়র, আই.এ.সি. ভিক্রান্ত; সী ত্রাইএল মপুং ফানা পাংথোকখ্রে
- প্রোজেক্ত ৭৫

  স্কোর্পীন-ক্লাস সবমেরিন তরুক

  সবমেরিন ৬কী মনুংদগী, আই.এন.এস. কলাবারী, আই.এন.এস. খান্দেরী, আই.এন.এস. খরঞ্জ, আই.এন.এস. ভেলা শিজিন্নবা হৌখ্রে

  ফেব্রুৱারী ২০২২দা 'ভাগির'না সী ত্রাইএল হৌখি

  এপ্রিল ২০২২দা 'ভাগশীর' লোঞ্চ তৌখি
- প্রোজেক্ত ১৫বি.

  লমদমসিদা শাজবা গাইদেদ-মিসাইল য়াওরবা ৱার্শিপকী পরিং

  **আই.এন.এস. ভিশাখাপত্নম** – প্রোজেক্ত অসিগী মকোক থোংগদবা জহাজ অসি নবেম্বর ২০২১দগী শিজিন্নবা হৌখ্রে

  **মোরমুগাও** – দিসেম্বর ২০২১দা মাইদেন সী ত্রাইএল মপুং ফানা পাংথোকখ্রে


  **সুরত** – মে ২০২২দা লোঞ্চ তৌখ্রে
- প্রোজেক্ত ১৭এ.

  **লমদমসিদা শাজবা স্তেল্থ ফ্রিগেত**


  নিলগিরী – সেপ্তেম্বর ২০১৯দা লোঞ্চ তৌখ্রে

  হিমগিরী - দিসেম্বর ২০২০দা লোঞ্চ তৌখ্রে

  উদয়গিরী – মে ২০২২দা লোঞ্চ তৌখ্রে



আই.এ.সি. ভিক্রান্ত




আই.এন.এস. ভিশাখাপত্নম

# ইন্দিয়ন আর্মী

## মশাগী তৌবা ঙম্বগী মতিক্তা মপাঙ্গল হেন্না হাপচিনবা

- লমদমসিদা শাজবা লানগী মপুং ওইবা তেঙ্ক অর্জুন (এম.কে.-১এ.)

  য়ুনিৎ ১১৮ পীরক্লবগীদমক্তা চেন্নাইগী হেভী ভাহিকল ফেক্তরীদা লুপা করোর ৭,৫২৩গী ওর্দর পীখ্রে
- দি.আর.দি.ও.দগী তেক্নোলোজী লান্নদুনা লন্নাই ওইনা শাজবা মলতি-মোদ হেন্দ গ্রেনেদ
- বুলেৎ প্রুফ জেকেত লাখ ১.৮৬ লৈশিনবা
- অমেথীদা এ.কে.-২০৩ রাইফল পুন্না শামিন্নবগী লুপা করোর ৫,১০০গী প্রোজেক্তকী অয়াবা পীখ্রে
- লমদমসিদা শাজবা মেন পোর্তেবল এন্তি তেঙ্ক গাইদেদ মিসাইলগী ফ্লাইত তেস্ত মায় পাক্লা পাংথোকখ্রে
- মেদিয়ম রেঞ্জ সর্ফেস-তু-এয়র মিসাইল সীস্তেমগী ত্রাইএল মায় পাক্লা পাংথোকখ্রে
- মেদিয়ম রেঞ্জ সর্ফেস তু এয়র মিসাইল (এম.আর.এস.এ.এম.) মায় পাক্লা ফ্লাই-তেস্ত তৌখ্রে
- লমদমসিদা শাজবা এন্তি-তেঙ্ক গাইদেদ মিসাইল ‘হেলিনা’গী য়ুজর ভেলিদেসন ত্রাইএল পাংথোকখ্রে



তেঙ্ক অর্জুন (এম.কে.-১এ.)



মেন পোর্তেবল এন্তি-তেঙ্ক গাইদেদ মিসাইল



এয়র মিসাইল (এম.আর.এস.এ.এম.)




# ইন্দিয়ন কোস্ত গার্দ

## সমুদ্রবু ঙাক-শেল্লিবা



## এ.এল.ঐচ.-৩

- হিন্দুস্তান এরোনোতিক্স লিমিতেদকা এদভান্স লাইত হেলিকোপ্তর (এ.এল.ঐচ. এম.কে.-৩) ১৬ পীবগী কন্ত্রেক্ত লোইশিনখ্রে

  হৌজিক ফাওবদা হেলিকোপ্তর ৮ ফংখ্রে

  হেলিকোপ্তর ১৬ অসি ওরিশা, গুজরাত, কেরলা অমসুং তমিল নাদুগী স্কাদ্রোন মরিমক্তগী ওপরেত তৌবগী থৌরাং লৈ

- এফ.রাই. ২০২০-২১দা ওফশোর পেত্রোল ভেসেল ৮, ইন্তর্সেপ্তর বোত 8 অমসুং রর্ক বোত ২ শাখ্রে

- কঞ্জারু, মেঙ্গালোর, কর্নাতকাদা লৈগদবা ইন্দিয়ন কোস্ত গার্দ একাদমীগী অয়াবা পীখ্রে

- আই.সি.জি.দা ভারতকী এক্সক্লুসিব ইকোনোমিক জোন (ই.ই.জেত.)গী মনুংদা চথোক-চৎশিন তৌবা, তোংবা/কুম্বা, থিবা অমসুং ফাবগী থৌওং পাংথোকপগী লিগেল পাৱর পীবা য়াখ্রে

- দি.এ.সি.না তি.ই.ঐচ.ঐচ. (পর্ফোরমেন্সতা য়ুক্ষম ওইবা লোজিস্তিক্স য়াওনা) ১৪ লৈবগী এ.ও.এন.গী অয়াবা জনুৱারী ২০, ২০২২দা পীখ্রে

- ইতেল্লিজেন্সকী মতুং ইন্না পাংথোকপা ওপরেসন্দা লুপা করোর ৫৯০০গী নার্কোতিক্স তন ২.৬ ফাখ্রে অমসুং মসিগী মতুং ইন্না ফাখ্রবা দ্রগকী অপুনবা মমলনা লুপা করোর ১১,৯২৫ য়ৌখ্রে

“

ঙাকশেলগী লমদা আত্মানির্ভর ওইবা

ঐখোয়না মীরম লৈবাক্তগী খুৎলায় লৈবা মতমদা, থৌওং অসিগা মরী লৈনবা থবকশিং পাংথোকপদা মতম শাংনা চঙমনখিবনা খুৎলায়শিংনা ঐখোয়গী সেক্যুরিতী ফোর্সকী মনাক্তা য়ৌরকপদদি খুৎলায়শিং অসি মতমগা চান্নদ্রে। মসিগী ৱারোইশিন অসি ‘আত্মানির্ভর ভারত’ কেম্পেন অমসুং ‘মেক ইন ইন্দিয়া’না পুরকপা ঙমগনি। মশাগী লমদমদা শাজবা খুৎশু-খুৎলায় পায়রকপা মতমদা ঐখোয়গী সেক্যুরিতী ফোর্সকী মশাদা থাজবা অমসুং চাউথোকচবগী চাং হেনগৎলি।

**প্রধান মন্ত্রী, শ্রী নরেন্দ্র মোদী**

(পোস্ত বজেত ৱেবিনার, ‘দিফেন্সকী লমদা আত্মানির্ভর ওইবা – থবক ওইনা পাংথোক্লুসি হায়বগী খোল্লাও’)



# ঙাকশেলগী লমদা আত্মানির্ভর ওইবা- মঙলানশিংগী মওং-মতৌ উরকপা



- দোমেস্তিক মেন্যুফেকচরিংগীদমক্তা দিফেন্স আইতেম ৩১০ খাকপা
- দোমেস্তিক কেপিতেল প্রোক্যুর্মেন্তকীদমক্তা কায়থোকপা লুপা করোর ৮৪,৫৯৮বু ইং ২০২২-২৩দা কেপিতেল এক্কুইজিসন বজেতকী ৬৮%দা হেনগৎপা
- দোমেস্তিক কেপিতেল প্রোক্যুর্মেন্তকী ২৫% (লুপা করোর ২১,১৪৯)বু লন্নাইগী ইন্দস্ত্রী, এম.এস.এম.ই. অমসুং স্তার্তঅপ চাউখৎহন্নবগীদমক্তা খাক্তুনা থম্বা
- দি.এ.পি. ২০২০গী মখাদা লৈবা অনৌবা রুলশিংগী খুত্থাংদা এক্কিজিসন প্রোসেস খোঙজেল য়াঙখৎহনবা
- দিফেন্স মেন্যুফেকচরিং ইকোসীস্তেম চাউখৎহন্নবগীদমক্তা উত্তর প্রদেশ অমসুং তমিল নাদুদা দিফেন্স ইন্দস্ত্রীএল কোরিদোর অনি শেমখ্রে
- আর্ম্দ ফোর্সশিংগী প্রোতোতাইপ সোল্যুসন শেম্নবগীদমক্তা ইন্নোভেতরশিংগী দিফেন্স ইন্নোভেসন স্তার্তঅপ চেলেঞ্জ হৌদোকখ্রে
- দিফেন্স আর. অমসুং দি. বজেৎকী চাদা ২৫গী চাংদি ইন্দস্ত্রী, স্তার্তঅপ অমসুং একাদমিয়াগীদমক্তা খাক্তুনা থমখ্রে





- দিফেন্স এক্সপোর্ত্তা ৩৩৪%গী চাং হেনগৎপা
  - (ইং ২০১৪-১৫দা ওইরম্বা লুপা করোর ১,৯৪১দগী হেনগত্তুনা ইং ২০২০-২১দা লুপা করোর ৮,৪৩৪ য়ৌখ্রে)
  - লৈবাক ৮৪দা হৌজিক দিফেন্সকী খুৎশু-খুৎলায় এক্সপোর্ত তৌরি
- 'মেক ইন ইন্দিয়া, মেক ফোর দি ৱর্ল্দ'গী পান্দম ফংনবগীদমক্তা দিফেন্সকা মরী লৈনবা ফোরেন দাইরেক্ত ইনভেস্তমেন্তপু দিফেন্সকী অনৌবা ইন্দস্ত্রীএল লাইসেন্স তান্নরিবা কম্পেনীশিংগী ওতোমেতিক রুতকী খুথাংদা ৭৪% অমসুং সরকারগী রুতকী খুথাংগীনা ১০০%দা হেনগৎখ্রে
- এফ.ৱাই. ২০২২-২৩গী কেন্দ্রগী বজেত্তা কেপিতেল এল্লোকেসন্দা ১২.৮২%গী চাংদা হেনগত্তুনা লুপা করোর লাখ ১.৫২ য়ৌখ্রে
- মরোমদোম লেপচবা ঙম্বা ইন্দিয়ন নেভী
  - ইং ২০১৪দা এক্সেপতেন্স ওফ নেসেসিতী (এ.ও.এন.)না ৭৬%, ভারতকী ভেন্দরশিংদা পীবা কোস্ত-বেসিস কন্ত্রেক্তনা ৬৬% ওইখি
  - নেভীগী এম্যুনিসনগী ৯০%দি লমদমসিদা শাজরে
  - মমাংগী চহি ৫দা নেভীগী মোদর্নাইজেসন বজেৎকী শরুক অহুম থোকপগী অনি হেনবদি লমদমসিদা শাজবা পোত্থোক লৈবদা শিজিন্নখি
  - ওর্দর তৌখ্রবা জহাজ/সবমেরিন ৪১গী মনুংদগী ৩৯দি ভারতকী শিপয়ার্দতগী লাক্লি





# রিফোর্ম্স পাংথোকপগী লম্বীদা চৎলিবা আর্ম্দ ফোর্স

- চীফ ওফ দিফেন্স স্তাফকী ফম শেমখ্রে
- অনৌবা থৌওং কয়া পুরকপা ঙম্বা রিফোর্ম কয়া পাংথোকহন্নবগীদমক্তা মিলিতরী এফিয়র্স বিভাগ শেমখ্রে
- মসিগী পান্দমদি সর্ভিস মশেলগী মরক্তা পুঙ্সিন্নবা অমসুং রিসোর্সশিংবু নীংথিনা শিজিন্নদুনা অফবা মহৈ ফংনবা হোৎনবনি





## শেল-থুমগী শক্তি খুৎশিন্নবা

- ওপরেসন পাংথোকপা ঙম্বগী মতিক হেনগৎহন্নবগীদমক্তা সর্ভিস হেদক্বার্তর (এস.ঐচ.ক্যু.)শিংদা শক্তি শিন্নখ্রে

এম্ম্যুনিসন অমসুং স্পেয়র লৈনবগীদমক্তা আর্ম্দ ফোর্সতা ইমর্জেন্সী ফাইনেন্সিএল পাৱর শিন্নখ্রে

ভাইস চীফশিংগী ফাইনেন্সিএল পাৱরশিংবু লুপা করোর ৫০০ ফাওবা হেনগৎখ্রে

সর্ভিস হেদক্বার্তরশিংদা স্পিসিএল ইমর্জেন্সী পাৱর শিন্নখ্রে

এস.ঐচ.ক্যু.শিংগী কেপিতেল প্রোক্যুর্মেন্তকী ফাইনেন্সিএল পাৱরবু লুপা করোর ৩০০ ফাওবদা অমসুং এম.ও.দি.গীনা লুপা করোর ২,০০০ ফাওবা হেনগৎখ্র

# ওর্দিনান্স ফেক্তরীশিংবু পুন্সিনবা অমসুং মপাঙ্গল হাপ্পা

- ওক্তোবর ২০২১দা ওর্দিনান্স ফেক্তরী ৪১ অমুক্কা হন্না পুন্সিন্দুনা অনৌবা দি.পি.এস.য়ু. ৭কী মখাদা হান্নদগী হেনবা ওতোনোমী পীখ্রে

- মসিগুম্বা থৌওং পাংথোকপগী থা ৬কী মনুংদা, ওর্দিনান্স ৭কী মনুংদগী ৬না শেন্দোং ফংলে পাউদম্লকখ্রে




| S No. | New Defence Company | Provisional Profit (Oct 01, 2021 – Mar 31, 2022) (Rs in crore) |
|---|---|---|
| 1. | Munitions India Limited | 28 |
| 2. | Armoured Vehicles Nigam Limited | 33.09 |
| 3. | India Optel Limited | 60.44 |
| 4. | ADVANCED WEAPONS AND EQUIPMENT INDIA LIMITED | 4.84 |
| 5. | GLIDERS INDIA LIMITED | 1.32 |
| 6. | TROOP COMFORTS LIMITED | 26 |
| 7. | Yantra India Limited | (111.49) |

# দিফেন্স আর. অমসুং দি.দা ইন্নোভেসন পাংথোকপা

## রস্তম-২-মলতি-মিসন অনমেন্দ এরিএল ভেহিকল

- অশাংবা মতমগী রিকোন্নৈসেন্স মিসন্দা পুং ২৪ খাঙবা ঙম্মি

## নির্ভয়

### লোং রেঞ্জ সবসোনিক ক্রুজ মিসাইল

- ভারতনা খ্বাইদগী অহানবা ওইনা মওং-মতৌ শেমদুনা লমদমসিদা শাজবা ক্রুজ মিসাইল
- কিলোমীতর ১,০০০ থাপ্না চৎপা ঙম্মি
- কিলো ৩০০ ফাওবগী ৱারহেদ পুবা ঙম্মি
- তোঙানবা প্লেতফোর্ম কয়াদগী শিজিন্নবা য়াই





## ব্রাহ্মোস

### ব্রাহ্মোস সুপর্সোনিক ক্রুজ মিসাইলগী এয়র ভর্জন

- লমদমসিদা শাজবা পোৎলম কয়া হাপ্লবা অমসুং মথৌ তৌবগী ফিভম হেনগৎহল্লবা সুপর্সোনিক ফাইতর জেৎ, সুখোই ৩০ এম.কে.-১দগী মায় পাক্লা তেস্ত ফাইয়র তৌখ্রে

# মিদিয়ম রেঞ্জ সর্ফেস-তু-এয়র মিসাইল

- আই.এন.এস. কোচীদগী ওপরেস্নেল তেস্ত ফ্লাইত পাংথোকখ্রে
- সেন্ত্রেলাইজ ওইরবা ওপরেসনগী থৌওংদা সী স্কিম্মিং মিসাইল ইন্তর্সেপ্ত তৌবা য়াওনা মসিগী খুৎলায়গী পথাপকী তৌবা ঙম্বগী মতিক মায় পাক্লা উৎখ্রে

## আই.এন.এস. ভিক্রমঅদিত্যগী মথক্তা এল.সি.এ. নেভীনা খ্বাইদগী হান্না লেন্দিং তৌখিবা

- ত্রাইএল মশিং কয়া পাংথোক্লুবা তুংদা, জনুৱারী ২০২০দা আই.এন.এস. ভিক্রমঅদিত্যগী মথক্তা মায় পাক্লা লেন্দিং তৌখি

# অগ্নি-৫

## লোং রেঞ্জ সর্ফেস-তু-সর্ফেস বেলিস্তিক্স মিসাইল

- ইং ২০১৮দা ফ্লাইত তেস্ত অহুম্লক মায় পাক্লা পাংথোকখ্রে
- ফ্লাইত ত্রাইএল তরেৎলক মায় পাক্লা পাংথোকখ্রে

# নাগ মিসাইল

- ৩শুবা জেনেরেসনগী এন্তি-তেঙ্ক গাইদেদ মিসাইল, নাগকী অরোইবা য়ুজর ত্রাইএল অসি পোখ্রন রেঞ্জতগী ওক্তোবর ২০২০দা পাংথোকখি
- মিসাইল অসিদা তসেংবা ৱারহেদ হাপখি অমসুং তেঙ্ক তার্গেত অমবু হান্ননা লেপথোক্লুবা অখন্নবা অথাপ্পদা থমখি

# অস্ত্রা

## বিয়োন্দ ভিজুএল রেঞ্জ এয়র-তু-এয়র মিসাইল

- অমুক্তং কাপ্পদা অশোকপা য়াম্না নঙহনবা ঙম্বগী মতিক লৈ
- য়াম্না ৱাংনা পাইবা সুপর্সোনিক এয়র তার্গেতকা লান্থেংনবা ঙম্নবগীদমক্তা শেম-শাখিবনি

# পিনাকা রোক্কেত সীস্তেম

- নবেম্বর ২০২০দা ওরিশাগী সমুদ্র মপান্দগী খরা লাপথোকপা মফমদা মায় পাক্লা ফ্লাইত তেস্ত পাংথোকখি



## ক্বিক রিএক্সন সর্ফেস তু এয়র মিসাইল সীস্তেম

- মিদিয়ম রেঞ্জ অমসুং মিদিয়ম অলতিচুদতা থম্বা পাইলোৎ য়াওদবা বঙ্গী তার্গেত এয়রক্রাফতা দাইরেক্ত হিত্তা থোমদুনা মশক থোকপা মায় পাকপা ফংখি

## লোং রেঞ্জ সর্ফেস তু এয়র মিসাইল

- ইন্দিয়ন নেভীগী দিফেন্স তৌবগী মতিক হেনগৎহন্নবগীদমক্তা দি.আর.দি.ও. অমসুং ইজরেল এরোস্পেস ইন্দস্ত্রীজকা পুন্না শামিন্নখিবা পথাপ অমনি

## হেলিনা (আর্মী ভর্জন) অমসুং ধ্রুবঅস্ত্রা (এয়র ফোর্স ভর্জন)

- অশুমশুবা জেনেরেসন, লোক ওন বিফোর লোঞ্চ (এল.ও.বি.এল.) ফাইয়র অমসুং ফোর্গেত এন্তি তেঙ্ক গাইদেদ মিসাইল
- দাইরেক্ত হিতকা লোয়ননা তোপ এতেক্ত মোদতা য়েক্লবগা লান্থেংনবা ঙম্মি

## মেন পোর্তেবল এন্তি-তেঙ্ক গাইদেদ মিসাইল

- মায় পাক্লা ফ্লাইত তেস্ত তৌখ্রে, লমদমসিদা শাজবা লো ৰেৎ, ফাইয়র অমসুং তার্গেত

## অকাশ প্রাইম মিসাইল

- একুরেসী হেনগৎহন্নবগীদমক্তা লমদমসিদা শাজবা এক্তিব রেদিও ফ্রিক্বেন্সী সীকর য়াওরি

## মেন পোর্তেবল এন্তি-তেঙ্ক গাইদেদ মিসাইল

- দি.আর.দি.ও.না জনুৱারী ২০২২দা এম.পি.এ.তি.জি.এম.গী ফাইনেল দেলিভরেবল কনফিগ্যুরেসন মায় পাক্লা ফ্লাইত-তেস্ত তৌখ্রে



## প্রলয়

- লৈবাক অসিদা শাজবা সর্ফেস-তু-সর্ফেস মিসাইলগী অহানবা ফ্লাইত তেস্ত পাংথোকখি



## তেক্নোলোজী ত্রান্সফর তৌবা

- ভারতকী ইন্দস্ত্রীশিংবু তেক্নোলোজী ত্রান্সফর দোক্যুমেন্তকী মওংদা শৌগৎনবগীদমক্তা মরী লৈনবা "করন্না পাংথোক্কদগে" হায়বা ৱারোলশিং পীখি
- দিভেলপেন্নত অমসুং প্রদক্সন পার্ত্নর/দিভেলপমেন্ত পার্ত্নর/প্রদক্সন এজেন্সীশিংদা তি.ও.তি. ফী অমত্তা য়াওদনা অমসুং অতোপ্পা ইন্দস্ত্রীশিংদা প্রোজেক্ত পাংথোকপগী অয়াবা পীরবা শেনফমগী @৫%গী অমুক্তং পীগদবা তি.ও.তি. ফী লৌদুনা তেক্নোলোজী ত্রান্সফর তৌখি
- আর্ম্দ ফোর্স অমসুং সরকারগী অতোপ্পা বিভাগশিংদা য়োনবগী থৌওংশিংদা রোয়ালতী অমত্তা লৌখিদে। ভারতকী কম্মর্সিএল মার্কেত অমসুং এক্সপোর্তশিংদা য়োনবদা ২%গী রোয়ালতী ফী লৌনবনি

## তেক্নোলোজী দিভেলপমেন্ত ফন্দ

- ঙাক-শেলগী পোথোকশিংবু লমদমসিদা শাবা ঙমহন্নবগীদমক্তা ভারতকী ইন্দস্ত্রীশিং, মরু ওইনা এম.এস.এম.ই.শিংগীদমক্তা লুপা করোর ১০০গী কোর্পস ফন্দ শেমখি
- ফন্দ অসি দি.আর.দি.ও., সর্ভিসেস অমসুং দি.পি.এস.য়ু.শিংগী তঙাই ফদবগী মখা পোন্না অনৌবা তেক্নোলোজী শেম-শাবগীদমক্তা শিজিন্নবা য়াগনি
- তি.দি.এফ.কী মখাদা লৈবা প্রোজেক্ত খুদিংগী অচঙবা শেনফম হেনগৎখি, মমাংদা ওইরম্বা লুপা করোর ১০দগী হেন্দুনা হৌজিক লুপা করোর ৫০ ফাওবা ওইবা য়ারে

## ভারতকী ইন্দস্ত্রীশিংগীদমক্তা লৈরিবা দি.আর.দি.ও. পেতেন্ত

- পেতেন্ত অমসুং মরী লৈনবা ইন্তেল্লেকচুএল পব্লিকেসন খুদিংমক দি.আর.দি.ও. ৱেবসাইত্তা ফংগনি। হায়রিবশিং অসি ভারতকী ইন্দস্ত্রীশিংনা শেল অমত্তা চঙদবা শিজিন্নবা য়াগনি।



“

ইং ২০১৬কী সর্জিকেল স্ত্রাইক অমসুং ইং ২০১৯গী বালাকোত এয়রস্ত্রাইক অসি শুপ্নগী মিলিতরী স্ত্রাইকখক নত্তে, মসিদি ঙমখৈগী ৱাংমদা লৈরিবা তেরর ইনফ্রাস্ত্রকচরশিংবু ভারতকী মাইয়োক্তা শেল-চঙদবা লান্দা পাংথোকপা য়ানবা তেক্ত-কায়দবা মফম ওইনা শিজিন্নবা য়ারোই হায়না য়েক্লবগী মফমদা খঙহনবা অহকপা পাউজেল অমনি।

**ঙাকশেল মন্ত্রী, শ্রী রাজনাথ সিংহ**

(‘নো ৱার নো পীস’ ফিভমদা এয়র পাৱর হায়বগী মতাংদা পাংথোকপা সেমিনার)




# শান্তি পুরক্লবগীদমক্তা শক্তি শিজিন্নবা

## ইং ২০১৬কী সর্জিকেল স্ত্রাইক

- ইন্দিয়ন আর্মীনা উরি লান্দাগী মতুংদা ইং ২০১৬কী সেপ্তেম্বর ২৮-২৯গী অহিংদা পি.ও.কে.দা সর্জিকেল স্ত্রাইক অমা চথখি, মসিনা ভারতকী ফম্মু ৱাখল খন্দুনা লৈরম্বদগী থবক ওইনা পাংথোকপদা পুরকখি





## ইং ২০১৯গী বালাকোত এয়রস্ত্রাইক

ইন্তেল্লিজেন্সতা য়ুম্ফম ওইদুনা ফেব্রুৱারী ২৬, ২০১৯গী অয়ুক অঙনবদা চথখিবা প্রি-এম্পতিব ওপরেসন্দা ভারতনা বালাকোত্তা লৈবা জাইশ-ই-মোহম্মদকী খ্বাইদগী চাউবা ত্রেনিং কেম্পতা লান্দাখি

- ফেব্রুৱারী ১৪, ২০১৯দা জে.ই.এম.না পুলৱামাদা লান্দাদুনা থৌনা ফরবা সি.আর.পি.এফ. জৱান ৪০গী পুন্সি মাঙহনখিবা তেরর এতেক্তকী লমন শিংবা ওইনা এয়রস্ত্রাইক অসি পাংথোকখিবনি

# আর্ম্দ ফোর্সনা পুন্সি কনবগী থৌদাং লৌবা

## ওপরেসন গঙ্গা

- ইন্দিয়ন এয়রফোর্সনা মশাগী সি.-১৭ এয়রক্রাফ শিজিন্নদুনা সোর্তী ২৪ পাইদুনা ইরাংনা চৈথেং পীরবা য়ুক্রেন্দগী ভারত মচা ২,৪৫৭পু তেক্ত-কায়দনা পুথোরকখি

## অফঘানিস্তান ইভাক্কেসন

- ইং ২০২১দা আই.এ.এফ.না লান্না ৱাহল্লবা অফঘানিস্তান্দগী ভারত মচা ৫৭৯বু সোর্তী ২১ পাইদুনা তেক্ত-কায়দনা মায় পাক্লা পুথোরকখি

## ওপরেসন মাইত্রী

- ইং ২০১৫দা নেপালদা য়াম্না কন্না য়ুহা হাখিবগী মতুং তারকপা ওইনা, আই.এ.এফ.না মশাগী এসেত পুন্নমকপু তেংবাংবা অমসুং পুন্সি কনবগী থবক্কীদমক্তা শিজিন্নখি। আই.এ.এফ.কী এয়রক্রাফ/হেলিকোপ্তর কয়ানা সোর্তী ১,৬৩৮ পাইখি অমসুং মীওই ৫,৯৭৩ কনখি









## কোবিদ-১৯: মশক উদবা য়েক্নবগা লান্থেংনবা

### ইং ২০২০গী অহানবা রেব

- ইন্দিয়ন এয়র ফোর্স অমসুং ইন্দিয়ন নেভী
  চাইনা অমসুং অতোপ্পা লৈবাক্তগী ভারত মচা ৪,২০০ পুথোরকখি
  আই.এ.এফ.না সোর্তী ৫৮৪ পাইদুনা পোথোক তন ৮৬২ এয়রলিফ তৌখি, ইন্তর্নেস্নেল মেদিকেল রিলিফকীদমক্তা পুং ৭৮০ পাইখি
- আর্ম্দ ফোর্স মেদিকেল সর্ভিসকী মীওইশিংনা ক্বারান্তাইন ফেসিলিতী চলাইখি
- দি.আর.দি.ও. অমসুং দি.পি.এস.য়ু.শিংনা কোবিদ কেয়র ফেসিলিতী অমসুং সেনিতাইজর, মাস্ককুম্বা ইশা ঙাকথোকচবগী পোৎলমশিং শাখি

## ইং ২০২১গী অনিশুবা রেব

- ইন্দিয়ন এয়রফোর্স অমসুং ইন্দিয়ন নেভীনা ওক্সীজেন কন্তেনর অমসুং মেদিকেলগী অতোপ্পা খুৎশু-খুৎলায়শিংবু লৈবাক মনুং অমসুং মীরমদগী পুথোক-পুশিন তৌখি
  আই.এ.এফ.না লৈবাক ১৩দগী এয়র নাউতিকেল মাইল মিলিয়ন ১.৪ হেনবগী অথাপ্পা অমসুং ফ্লাইং আরর ৩৭৫৭ পাইদুনা পোৎলম তন ১৫,৩০৬ পুথোক-পুশিন তৌখি
  ওপরেসন সমুদ্র সেতু - ২
  ইন্দিয়ন নেভীগী ৱারশিপ ১০বু থা অনিগীদমক্তা শিজিন্নখি অমসুং এন.এম. ৫৩০০০ (চাউরাক্লা কিলোমীতর ১০০,০০০)গী অথাপ্পগী খোঙচৎ চৎখি
- দি.আর.দি.ও., দি.পি.এস.য়ু. অমসুং কেন্তোনমেন্ত বোর্দশিংনা লৈবাক শিনবা থুংবদা কোবিদ কেয়র ফেসিলিতী লিংখৎখি
- দি.আর.দি.ও.না লৈবাক শিনবা থুংবদা ওক্সীজেন প্লান্ত ১,২০০বু ৱার ফুতিংদা শেমগৎখি
- দি.আর.দি.ও.না এদজঙ্ক কোবিদ থেরাপী এন্তি-কোবিদ দ্রগ, ২-দিওক্সী-দি.-গ্লুকোজ (২-দি.জি.) পুথোকখি
- সিভিল এদমিনিস্ত্রেসন্দা তেংবাংনবগীদমক্তা এন.সি.সি. কেদেৎশিং শিজিন্নখি
- আর্ম্দ ফোর্সশিংনা মখোয়গী মীওই খুদিংবু ভেক্সিন কাপথোকহনখি



# হ্যুমেনিতরিয়ন এসিস্তেন্স অমসুং দিজাজতর রিলিফ (ঐচ.এ.দি.আর.)

- ইন্দিয় নেভীনা লৈবাক্কী মেরিতাইম ইন্তরেস্ত ঙাক-শেন্নবগীদমক্তা ইন্দিয়ন ওসীনগী মফমশিংদা মিসন্দা য়ুম্ফম ওইবা দিপ্লোয়মেন্ত কয়া পাংথোকখি

- ইন্দিয়ন নেভীগী ‘ওপরেসন সঙ্কল্প’না হোর্মুজকী স্ত্রেত অমসুং গল্ফকী মফমশিং ফাওদুনা চৎপা ভারতকী মর্চেন্ত ভেসেলশিংগী তেক্ত-কায়দবা অমসুং শোইদ-ঙামদবগী থৌদাং লৌখি

- ইন্দিয়ন নেভীগী ওপরেসন সমুদ্র সেতু-২না মেদিকেল ওক্সীজেন সপ্লাই হেনগৎহনখি
  ইন্দিয়ন নেভীগী ৱারশিপ ১০বু থা অনিগীদমক্তা শিজিন্নখি অমসুং এন.এম. ৫৩০০০গী অথাপ্পগী খোঙচৎ চৎখি
- ‘ওক্সীজেন এক্সপ্রেস’
  কোবিদ-১৯গী ইরাং মনুংদা লক্ষদ্বীপ অমসুং মিনিকোই ইথৎকী মফমশিংদা ওক্সীজেন লেপ্তনা পীনবগীদমক্তা সাউথর্ন নেভেল কম্মান্দগী আই.এন.এস. শার্দা অমসুং এম.পি.ভি. মেঘনা শিজিন্নখি
- মিসন সাগর
  ইন্দিয়ন নেভীনা ইন্দিয়ন ওসীন অমসুং সাউথ চাইনা সীগী মফমশিংগী লৈবাক মঙাদা লিক্বিদ মেদিকেল ওক্সীজেন অমসুং মেদিকেলগী অতোপ্পা ইক্বিপমেন্ত য়ৌহন্নবগীদমক্তা ত্রান্সশিপমেন্ত পাংথোকখি
- তোঙানবা লৈবাকশিংদা কোবিদ-১৯ ভেক্সিন দোজ লাখ ১.৫ পুথোক-পুশিন তৌবগীদমক্তা ইন্দিয়ন নেভীগী পি.-৮১ এয়রক্রাফ শিজিন্নখি









## ৱিং কম্মান্দর অঞ্জলী শিংহ

মীরমদা লৈবা ইন্দিয়ন মিসন অমা হেক্তদা পোস্তিং তাখিবী খ্বাইদগী অহানবা ভারত নুপী (মোস্কোদা লৈবা ইন্দিয়ন এম্বেসীদা দেপ্যুতী এয়র এতেচে ওইনা লৈবা)

## ল্যুতেনেন্ত ভাবনা কস্তুরী

ইং ২০১৯গী গনতন্ত্রা দিবস নুমিৎকী পেরেদতা নুপা ঙাক্তগী কন্তিনজেন্ত (আর্মী সর্ভিস কোর্প) লুচিংখিবী অহানবা ভারত নুপী





## কেপ্তেন
## অভিলাশা বারাক

নাশিক্কী কোম্বেত আর্মী এভিএসন ত্রেনিং স্কুলদগী গ্রেজুএসন লোইরবা তুংদা কোম্বেত এভিএতর ওইনা আর্মী এভিএসন কোর্প্তা চঙবী অহানবা ভারত নুপী

## কেপ্তেন
## তানিয়া শেরগিল

ইং ২০২০গী আর্মী নুমিৎকী থৌরমদা নুপা ঙাক্তগী কন্তিনজেন্ত লুচিংখিবী ভারতকী অহানবা নুপী পেরেদ এদজুতেন্ত





## ল্যুতেনেন্ত কম্মান্দর কারাবী গোগোই

মোস্কোগী ইন্দিয়ন এম্বেসীদা এসিস্তেন্ত নেভেল এতেচে ওইনা খনখি; মীরমদা লৈবা ইন্দিয়ন মিসন অমদা পোস্তিং তাখিবী ভারতকী অহানবা নুপী নেভেল ওফিসর

## ফ্লাইত ল্যুতেনেন্ত শিবাঙ্গী শিংহ

রাফাইল ফাইতর এয়রক্রাফকী ভারতকী অহানবা নুপী পাইলোত, ইং ২০২২গী গনতন্ত্রা দিবস নুমিৎকী পেরেদতা আই.এ.এফ. তেব্লোদা মায় থাংগৎনা লেপ্তুনা নুপীগী হেনগৎলক্লিবা মপাঙ্গলগী মশক তাকখি



## ফ্লাইং ওফিসর

### হৌজিক ফ্লাইত ল্যুতেনেন্ত

অবানী চতুর্বেদী, ভাৱানা কান্থ অমসুং মোহানা সিংহবু অহানবা নুপী ফাইতর পাইলোত অহুম ওইনা থবক খনখি




ফ্লাইত ল্যুতেনেন্ত

ভাৱানা কান্থ | অবানী চতুর্বেদী | মোহানা সিংহ

# নেস্নেল ৱার মেমোরিএল

## থৌনা ফৱশিংগী মফমদা ইকায় খুম্নবগী মতিক চারবা থৌওং



### হৌরকপদগী লোইশিনবা ফাওবা

- আর্ম্দ ফোর্সশিংনা লৈবাক্কীদমক্তা থৱাই কথোকখিবশিংবু ইকায় খুম্নবা ওইনা নই দিল্লীদা লৈবা নেস্নেল ৱার মেমোরিএলবু প্রধান মন্ত্রী, শ্রী নরেন্দ্র মোদীনা ফেব্রুৱারী ২৫, ২০১৯দা লৈবাক মীয়ামদা খুৎশিন্নখি

- এন.দবল্যু.এম.না নীংতম্বা ভারতকী বেত্তল কেজুএলিতী ২৬,০০০ হেনববু নীংশিংদুনা ইকায় খুম্নরি

- ত্যাগ চক্রদা মমিং হক্লিবা বেত্তল কেজুএলিতীশিংবু ইকায় খুম্নবা ওইনা নুমিৎ খুদিংগী নুংথিলদা বেত্তল কেজুএলিতী অমমমগী নেক্স ওফ কিন থৌরম পাংথোক্লি। বেত্তল কেজুএলিতীগী এন.ও.কে.বু ওবেলিস্ক/ইম্মোর্তেল মৈরাদা ইকায় খুম্নবা উৎনবা কৌরি

- ইন্দিয়া গেত্তা লৈরম্বা অমর জৱান জ্যোতীগা এন.দবল্যু.এম.গী ইতর্নেল ফ্লেমগা জনুৱারী ২০২২দা পুন্সিনখ্রে

- চুনবা মওং-মতৌগা লোয়ননা ‘স্বর্নিম বিজয় বর্শ’কী হরাওবা ফোংদোক্লি




# নহারোলশিংনা লুচিংদুনা চাউখৎপা পুরকপা

## সাইনিক স্কুল অমসুং এন.সি.সি.

- নেস্নেল এজুকেসন পোলিসীগী মখা পোন্না ক্বালিতী এজুকেসন পীনবগীদমক্তা লৈবাক শিনবা থুংবদা অনৌবা সাইনিক স্কুল ১০০ পার্ত্নরশিপ মোদতা লৈরক্লগনি
  - রাজ্য/য়ু.তি. খুদিংদা য়ামদ্রবদা স্কুল অমা লিংখৎপগী ৱাহৌদোক লৈরি
  - মসিগুম্বা স্কুল ২১গী অয়াবা পীখ্রে অমসুং মখোয়না একাদমিক চহি ২০২২-২৩গীদমক্তা মহৈরোইশিংগী মমিং চনবসু হৌখ্রে
  - নৌনা অয়াবা পীরবা সাইনিক স্কুল ১০গী খনগৎলবা মহৈরোই ৪৮৫গী অহানবা প্রোবিজনেল লিস্ত থোকখ্রে
- এন.সি.সি. কেদেৎ মশিংবু লাখ ১ হেনগৎহনবগী স্কিম
  - স্কুল/কোলেজ ১,২৮৩ মশক খঙদোক্লে (ঙমখৈগী মফমশিংগী ৮৯৬; সমুদ্র মপানগী মফমগী ২৫৫ অমসুং এয়র ফোর্স তালুকাশিংগী ১৩২)
- কেদেৎশিংগী মরক্তা নেস্নেল এৱিয়র্নেস অমসুং ইন্তর্নেস্নেল অন্দর্স্তেন্দিং হেন্না লৈহন্নবগীদমক্তা এন.সি.সি. মনুংগী য়ুথ এক্সচেঞ্জ প্রোগ্রামশিং হেন্না পাকথোক চাউথোকহনখ্রে



# ৱান রেঙ্ক ৱান পেন্সন স্কিম

- মান্নবা রেঙ্ক অমসুং থবক তৌরম্বগী মান্নবা মতমগা লোয়ননা থবক্তগী পোথাখিবা, থবক্তগী পোথাবগী তারিখকী মখা পোন্দনা, দিফেন্স ফোর্সকী পর্সোন্নেলশিংদা মান্নবা পেন্সন পীথোকখ্রে
- ও.আর.ও.পি. হেক চৎনখিবগা পেন্সনর/ফেমিলী পেন্সনর লাখ ২০.৬ হেনবগী মফমদা লুপা করোর ১০,৯৭৫বু এরিয়র ওইনা পীথোকখ্রে
- ও.আর.ও.পি.না মরম ওইরগা চহিগী শোইদনা তৌগদবা চাদিংনা লুপা করোর ৭,১২৩ ওইরি

## স্পর্শ হৌদোকখিবা

- দিফেন্স পেন্সনগী অয়াবা পীবা অমসুং শেনফম পীথোকপগী থৌওং ওতোমেত তৌনবা ইন্তিগ্রেতেদ সীস্তেম
- পেন্সন ক্লেম প্রোসেস তৌদুনা অতোপ্পা ময়াইগী মীওই অমত্তা য়াওদনা দিফেন্স পেন্সনরশিংগী বেঙ্ক একাউন্ততা হকথেংননা পেন্সন হাপ্পগী থৌওং
- স্পর্শনা প্লেতফোর্ম অসিদা দিফেন্স পেন্সনর চাউরাকপা লাখ ৫ মায় পাক্লা ওনবোর্দ তৌদুনা মশক থোকপা মায় পাকপগী থৌওং ফংখি
  - শেনবা চহি ২০২০-২১গী শুপ্নগী লুপা করোর ৫৭কা চাংদম্নবদা শেনবা চহি ২০২১-২২দা লুপা করোর ১১,৬০০ হেন্না পীথোকখি





# তেক্ত-কায়দবা ভারত অমগীদমক্তা ঙমখৈগী লমদম চাউখৎহনবা

- বোর্দর রোদ ওর্গনাইজেসন্না এপ্রিল ২০১৪দগী হৌনা কিলোমীতর ৬,৭৬৩গী লম্বী শেমখ্রে, মসিদা কিলোমীতর ১,৪০০ হেনবা ৩২ ইন্দো-চাইনা বোর্দর রোদ, অমসুং কিলোমীতর ৫,৩০০ হেন্না শাংবা অতোপ্পা মরু ওইবা/স্ত্রেতজিক্কী লমদা মরু ওইবা শোরোকশিং য়াওরি।
- ইং ২০২১-২২দা বি.আর.ও.না চহি অমদা খ্বাইদগী য়াম্বা থবক পাংথোকখিবা ওইনা অপুনবা ইনফ্রাস্ত্রকচর প্রোজেক্ত ১০২ – থোং ৮৭ অমসুং শোরোক ১৫ শাবা লোইশিনখি।
- রোহতাংদা লৈবা ফীত ১০,০০০গী মথক্তা লৈবা মালেমগী খ্বাইদগী শাংবা তন্নেল, অতল তন্নেল অসি ওক্তোবর ২০২০দগী শিজিন্নবা হৌখি, মসিনা নিমু-পদম-দার্চা শোরোক অমসুং লাহাউল-স্পিতী ফাওদুনা চৎপা অতোপ্পা শোরোক্কী খুত্থাংদা অইং-অশাগী ফিভম খুদিংদা লেহগা নীংথিনা শন্নহল্লি।
- ফীত ১৯,৩০০গী অৱাংবদা উমলিং লা তোপ ফাওরগা গারী চৎপা য়াবা মালেমগী খ্বাইদগী ৱাংবা শোরোকপু লদাখতা শেমখি। কিলোমীতর ৫২ শাংবা স্ত্রেতজিক ওইনা য়াম্না মরু ওইবা শোরোক অসিনা ঙমখৈগী মফমদা লৈবা খুঙ্গংশিং শন্নহল্লি।




অতল তন্নেল




উমলিং লা তোপ

- ফীত ১৩,৯৬০গী অলতিচুদতা লৈবা সেলা পাস ফাওদুনা অইং-অশাগী ফিভম খুদিংদা তৰাংগা শন্নহনগদবা সেলা তন্নেলসু বালিপারা-চারদুৱার-তৱাং লম্বীদা শাবা হৌখ্রে।

- অরুনাচল প্রদেশকী নেচিফু তন্নেল শাবগী লৈবাক কোখোকপগী থবকসু মে ২০২২দা মায় পাক্লা লোইশিনখ্রে। ফীত ৫,৭০০কী অলতিচুদতা লৈবা, মীতর ৫০০ শাংবা তন্নেল অসি নোংচুপ কামেং জিলাগী বালিপারা-চারদুৱার-তৱাং লম্বীদা লৈবনি। মসিদা হৌজিক্কী মতমগী লাইতিং অমসুং সেফতী ফেসিলিতীশিং লৈগনি।

- সিক্কিমগী ফীত ১১,০০০গী অলতিচুদতা লৈবা ফ্লেগ হিল-দোক্কালা রোদতা লৈবা ফীত ১৪০ শাংবা ইন্দিজিনিয়স ক্লাস-৭০, দবল লেন ওইবা খ্বাইদগী অহানবা মোদ্যুলার ওইবা থোংদসু হৌজিক গাড়ি চখোক চৎশিন তৌবা হৌখ্রে।
- সেন্তর ওফ এক্সেলেন্স ফোর রোদ সেফতী অমসুং এৱিয়র্নেস; অমদি সেন্তর ওফ এক্সেলেন্স ফোর রোদ, ব্রিজ অমসুং এয়র ফিল্দ অমসুং তন্নেল অসি নই দিল্লীগী বি.আর.ও. ময়াই লোইশঙদা শঙ্গাখ্রে।



সেলা তন্নেল



নেচিফু তন্নেল



## এম.ও.দি. হৌজিক দিজিতেল ওল্লকপা

### পুন্সি মহিং লাইহন্নবা তেক্নোলোজী শিজিন্নবা

- নুং-পান ফাওনা উবা থৌওং
- থবক থৌওংগী খোঙজেল য়াঙখৎপা
- মরক্কী মী লৈতবা
- ই-ছৱানী প্রোজেক্ত

  কেন্তোনমেন্ত বোর্দ ৬২দা লৈরিবা মীওই লাখ ২০ হেনবগী মফমদা ওনলাইন সিতিজন সর্ভিস ফংহন্নবগীদমক্তা হৌদোকখিবনি

- এল.এ.এন. নেতৱর্ক

  দিফেন্স বিভাগ, এক্স-সর্ভিসমেন ৱেলফিয়র বিভাগ অমসুং দিফেন্স ফাইনান্স বিভাগতা এয়র-গেপ অমসুং ইন্ত্রানেত নেতৱর্ক য়াওনা, এল.এ.এন. নেতৱর্ক শিজিন্নখ্রে

- ওনলাইন জিওগ্রাফিকেল ইনফোর্মেসন সীস্তেমদা য়ুক্ষম ওইবা এরিএল সর্ভেগীদমক্তা এম.ও.দি.গী অয়াবা লৌনবা এপ্লিকেসন ফোর্ম থাবগী পোর্তেল হৌদোকখ্রে, মসিনা এরিএল সর্ভে মথৌ তাবা চাউখৎ-থৌরাংগী প্রোজেক্তশিংগী দিফেন্স ক্লিয়ারেন্স লৌবগী থৌওংবু মওং-মরিল তাহনগনি

- এরিএল সর্ভে, পাৱর প্রোজেক্ত অমসুং রিসর্চ সর্ভে এক্সপ্লোরেসন এক্সপ্লোইতেসনগী থবকশিং য়াওনা ওনলাইন্দা এন.ও.সি. পুন্নমক পীরে

- কান্তীনশিংগীদমক্তা এগেন্সৎ ফর্ম দিমান্দ (এ.এফ.দি.-১) (কার, মোতোর সাইকলনচিংবা) পোৎলমশিং লৈবগী পোর্তেল হৌদোকখ্রে

- সি.এস.দি.দা ফংবা মরু ওইবা পোৎলমশিংগী, হায়বদি, এস.এ.এফ.দি. পোৎলমশিংদা ১০০% অমসুং নন-এ.এফ.দি. পোৎলমগীনা ৯৯%গী চাংদা দিজিতেল পেমেন্ত পাংথোক্লে



# দিফেন্স লেন্দ অমসুং ইস্তেত সেক্তরগী মায় পাকপশিং

- দিফেন্স মেনেজমেন্তকা মরী লৈনবা ব্রাহৌদোক খুদিংগী তেক্সচুএল ওইবা অকুপ্পা মরোল লৌনবগীদমক্তা লেন্দ মেনেজমেন্ত সীস্তেম হৌদোকখ্রে
- দিফেন্সকী লম সর্ভে তৌবগী ফেজ ২না রেকোর্দ ওইবা মতমগী মনুংদা দিসেম্বর ৩১, ২০২১দা মপুং ফানা লোইশিনখ্রে
- ভাভা এতোমিক রিসর্চ সেন্তরগা খুৎশন্নদুনা তাইম সেরিএল সেতিলাইত ইমেজরীদা য়ুক্ষম ওইদুনা শাবা 'চেঞ্জ দিতেক্সন সোফত্বেয়র'গী খুত্থাংদা লম খোপচিনবা মশক খঙদোকপগী অনৌবা থৌওং
- দিল্লী কেন্তকী নেশ্নেল ইন্সতিত্যুত ওফ দিফেন্স ইস্তেত মেনেজমেন্ততা হৌজিক নৌনা চাউখৎলক্লিবা লেন্দ সর্ভে তেক্নোলোজীগী সেন্তর ওফ এক্সেলেন্স অমা অথুবা মতমদা হৌদোকপগী ব্রাহৌদোক থমখ্রে



ভাভা এতোমিক রিসর্চ সেন্তর




দিল্লী কেন্তকী নেশ্নেল ইন্সতিত্যুত ওফ
দিফেন্স ইস্তেত মেনেজমেন্ত

रक्षा मंत्रालय
MINISTRY OF
DEFENCE

Azadi Ka Amrit Mahotsav


"

ভারতনা মরোমদোম লেপচবা ঙম্বগী ৱারী শাবা মতমদা, মসিনা মশাদা মরু ওইবা পীজবা পথাপ অমবু শৌগৎপা নত্তে, মসিদা মালেম পুম্বগী নুংঙাইবা, তেংবাংনবা অমসুং শান্তি লৈবগী ৱাফম য়াওরি।

প্রধান মন্ত্রী, শ্রী নরেন্দ্র মোদী

(মে ১২, ২০২দা লৈবাক মীয়ামদা ৱা ঙাঙখিবা)




रक्षा मंत्रालय
MINISTRY OF
DEFENCE
सत्यमेव जयते
DIRECTORATE OF PUBLIC RELATIONS
MINISTRY OF DEFENCE
8 YEARS OF
Excellence
@SpokespersonMoD
@DefenceMinIndia
MinistryofDefenceGovernmentofIndia